# কৈদৌবৈ কায়হৌরুরিনো

## নখোয়দা শীজিন্নগদবা অকনবা ৱাহৈ লৈত্রেনে

মণিপুর লৈঙাক (গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুর) গী মখাদা লৈবা লোয়শঙ অমা ওইগেরা, অমা ওইগেরা দিপার্টমেন্টকী অহাঙবা পোষ্ট নৎত্রগা মথৌ তারে হায়দুনা নৌনা ক্রিয়েট তৌবা পোষ্টশিংগীনি হায়দুনা লৌরগা মেনশিন্নবা এদভর্টিজমেন্টনচিংবা থোক্তুনা এপ্লাই তৌনরকপা কেন্দিদেটশিংদগী মতিক চাবা মীওইশিং খন্ননবগীদমক পাঙথোকপা রিক্রুটমেন্ট, দি পি সী/ইন্টরভিয়ু, রিট্টন টেষ্ট/ভাইভা-ভোসিনচিংবশিংগী রিজল্টশিং হায়দোক্ত্রে/লাওথোক্ত্রে হায়বগী ৱারু-নুংলু থোরক্লিবসিবু থোকহনফম থোকপা থৌদোক্লা হায়বনি। ৱাহংসি মণিপুর লৈঙাক্কী মখাদা লৈরিবা লোয়শঙ পূন্নমক্তা হংবা নত্তে। পাঙথোকখিবা রিক্রুটমেন্ট/দি পি সীনচিংবগী হায়দোকফম/লাওথোকফম থোক্লবা রিজল্ট হায়দোক্তবা, মতম কুইনা শাংনা চহী ১/২ নৎত্রগা ৩/৪ শুজিল্লক্লবা ফাওবদা নমশিন্দুনা থল্লক্লিবা লোয়শঙশিংদা হংবনি। লোয়শঙ অমনা পাঙথোকপা রিক্রুটমেন্ট/দি পি সীগা হায়বসিবু লোয়শঙদুনা মীয়ামগীদমক তৌফম থোকপা, তৌগদবা থবকশিংদু মপূং ফানা পাঙথোকপা ঙম্নবগী নৎত্রা? মসিগীদমক মথৌ তারে হায়দুনা লৌনবগীমক রিক্রুটমেন্ট পাঙথোল্লগা চহী অমদগী হৌরগা ২/৩ নৎত্রগা ৪/৫ ফাওবা য়ৌশিনহন্দুনা রিজল্ট লাওথোক্তনা নমশিন্দুনা থল্লক্লগদি অদুগুম্বা লোয়েশঙদুনা মীয়ামগীদমক তৌগদবা থবকশিংদু তৌবা ঙম্প্রা? অসিগুম্বা লোয়শঙশিংসিগী পিওনদগীনা সেক্রেটেরি/কম্মিস্নর খক্তা নত্তনা চীফ সেক্রেটেরি ফাওবনা লৈঙাক্কী লোয়শঙ হায়বসি করিনো অমসুং করিগীদমক লিংলিবনো হায়বসিগী ৱাহন্থোকশিং খঙদবা জাৎলা নৎত্রগা খঙলবসু খঙনা-খঙনা খঙশিন উশিন্নদ্রিবরা হায়বনিদা!! মণিপুর অমসুং সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকী মখাদা লিংলিবা লোয়শঙশিংসি মীয়ামগীনি। মীয়ামগী মথৌ তাবা থবক-থৌরমশিং পাঙথোক্নবনি। মরম অসিনা লোয়শঙ পূন্নমকপু 'পব্লিক ওফিস' হায়রিবনি। লোয়শঙ অমগা অমগগী মরক্তা পাঙথোক্কদবা থবকশিং মান্নদে। মসিমক্লা তোঙান-তোঙানবা লোয়শঙশিং হাংদুনা চলাইরিবনি। মখোয়গী মথৌদি মখোয়দা শিন্নবা মীয়ামগী থবকশিং পাঙথোকপনি। ৱাফমসি লোয়শঙ খক্তগী নত্তে। লায়েংশঙ, ৱায়েলশঙ, কৈশুমশঙনচিংবশিংসু মীয়ামগীদমক লিংলিবা ঙাক্তনি। অদুবু হায়রিবশিংসিগী মরক্তগী খরনা মখোয়গী মথৌ তাবনি হায়দুনা পাঙথোকপা রিক্রুটমেন্টকী রিজল্ট হায়দোক্ত্রে হায়দুনা ৱাথোক ওইরকহনফম থোকপ্রা হায়বনি।

পীক্লবা মণিপুরসিগীদি হায়রিবা ৱাথোকসি খক্তা থোক্তে। হীরম খুদিংমক্কী মফম-মতম পূন্নমক্তা ৱাথোক্লা পীক থল্লি হায়বা য়াই। মী হাৎপা, মী মাঙখিবা, ফাজিল্লগা থম্বা, থাঙ-তেন অমসুং নোংমৈ-বোম্না শোকহনবা, নুপী-অঙাংদা তাথী-তাওইনা তৌবা, ইকায়খুম্নবা মাঙহনবীবা য়াওনা থৌদোক-ৱাথোক অমত্তং থোরকপদা ৱায়াম্নদবা য়াওদে। মীহাৎপা, চেন্নবা মীওইশিং ফাবিয়ু, থৌদোক্তুগী কেস রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎপীয়ু, চার্জশীট থাগৎপীয়ু অমসুং অথুবা অমদি অচুম্বা ৱায়েল ফংহনবীয়ু হায়দুনা ফাওবা খোঙজং চঙশিন্নরিবনি। লম্বী শেমজিন্দবগীসু লম্বীদুদা কোমজাও অমদি খোংবান্নচিংবা তৌথোক্তুনা প্রোটেষ্ট তৌরিবনি। লোয়শঙ অমগী মথৌ তারকপদসু হাংদোকপীয়ু, থম্বীয়ু হায়দুনসু ৱাকৎনৈ। অসিগুম্বা থৌদোকশিংসি লৈবাকসিগী অতোপ্পা ষ্টেট নৎত্রগা য়ুনিয়ন টেরিটরিশিংদগদি থোক্লমগনি। থোকপগী পাউ তাই। অদুবু মালেমগী লৈবাকশিংদদি অসিগুম্বা ৱাথোকসি লৈরমগনি থাজদে। নত্তে, লৈঙাক্কী লোয়শঙ অমগী থৌমী/এমপ্লোয়ী ওইরবশিংগী মরক্তা লৈবাকসিদা চৎনরিবা লৈঙাক্লোনসিগী মশক খঙদবনা মশীং য়াম্লিবা জাৎলা? দেমোক্রেসিগী লৈঙাক্লোন অসি লেজিসলেচর, জুদিসিয়রি অমসুং এগজিক্যুটিভ হায়দুনা খায়দোক্লিবা খূৎপু অহুমসিনা ফুঙ্গা নুঙদুম অহুম শারগা মসিগী মথক্তা থাঙ্গৎতুনা চৎনহনবনি। অহুমসিসু খূৎশম্মনা চৎমিন্নগদবনি। অদুবু মণিপুরদদি লেজিসলেচর অমসুং এগজিক্যুটিভশিংনা মথোং হুক্তবা, শেরান-তুরানগী থবক-থৌওংশিং চম্থরকপদগী থোকহল্লকপা ৱাথোকশিং জুদিসিয়রিদা ৱাকৎতুনা লৈরে। মসিবু হৌনরিব্রা হায়বনি। পাঙথোকখিবা রিক্রুটমেন্ট/দি পি সীগী হায়দোকফম থোক্লবা রিজল্ট হায়দোক্তবা খক্তা নত্তনা সর্ভিস এক্সটেন্সন তৌবিদ্রে, রেগ্যুলরাইজেশন পীবিদ্রে, সিনিয়রিটি লিষ্ট শেম্বীদ্রে, শেন্নবসু মথক-মখা ওন্নরে, শেরান-তুরান তৌরে, সর্ভিস রেগ্যুলরাইজেশন তৌফম থোক্তবদা তৌরে, প্রমোশন পীফম থোকপদা পীদ্রে, পীফম থোক্তবদনা পীরে, য়াম্না তোয়না ট্রান্সফর তৌদুনা পোষ্টিং পীরে হায়বা ৱাথোকশিংসু থোকই। অদুগা রিক্রুটমেন্ট/দি পি সীগী রিজল্ট লাউথোক্ত্রে হায়দুনা মৈচ্রেং পাইনরিঙৈগী চৈরক্তা এদভর্টিজমেন্ট তৌদনা নারোন্দা মনিংথোঙলোমদগী পুশিল্লক্তুনা হাপচিল্লম্লে হায়বগী ৱাথোকসু য়াওই। থোকহনফম থোক্তবা থৌদোকশিংসি লোয়শঙ পূন্নমক্তা থোক্ত্রবসু অয়াম্বদদি থোক্লে হায়বা য়ারে। অদুবু অসিগুম্বা থৌদোকশিং থোকহল্লিবা লোয়শঙশিংগী ওফিশলশিংসিবু মখোয়গী মথৌশিং অসি মশা-মশাগী ওইজ-ওইথক, অরেম-অপাশিং ফংননবা শোয় চাফম্নি হায়না লোইনমক খল্লবা জাৎলা হায়বনি। লাইরিক নীংথিজনা হৈবা, লাইশুসু ফজনা খঙবা মীওইসু ফনা য়াম্না য়াওরমগনিদি হায়ববু অসুক য়াম্না মনা-মনিল নাইহল্লক্লিবসিবু করিগী ওইরমগদগে? মখোয়সি করি-করম তৌরগা মখোয়গী অখুবা অমসুং অখোয়বা মবুকচেলশিংসি চামথোক্তুনা তেংথোকপা য়াগদগে? মখোয়দা শীজিন্নগদবা অকনবা ৱাহৈ লৈশিল্লক্ত্রবনিনা মশোক লাক চবান থাদোকপীবনা মতিক চারগদ্রা হায়বনি। মীয়াম অমসুং মীয়ামগী লূপশিংনসু মণিপুরগী টেরিটরিএল ইন্টিগ্রিটি শোকহনবা/কায়হনবা য়ারোই হায়দুনা শিরগে' মখৈ চোংথোক্তুনা হোৎনরিবসিবুদি য়াম্না ফৈ। তৌদবা য়াদবা অমসুং তৌফম থোকপনি। অদুবু ষ্টেটসিবু হল চঙহন্দুনা পৎহন-পুমহন্নবা হোৎনরিবশিংদসু মিৎয়েং চঙহন্নীংই হায়বনি। য়ামখ্রবা ৱাথোক ময়ামসি অমুক্তদা অমসুং খুদক্তা লোইনা লোইশিন্দুনা লৈহন্দবা ঙমগনি থাজদে। অদুবু অহানবদা পাঙথোকখিবা রিক্রুটমেন্ট/দি পি সীশিংগী নমশিন্দুনা থল্লক্লিবা রিজল্টশিং লাওথোকউ। প্রধান মন্ত্রি মাত্রু ভন্দনা যোজনা (পি এম এম ভি ৱাই) অমসুং পোষান অভিয়নগীসু ৱাকৎ খোঙজং চঙশিনবা হৌরক্লবনি। এম এস পি দি সী এলগীসু পোষ্ট ৭কী ষ্টাফ ৬২২গীসু রিজল্ট লাওথোক্ত্রে হায়দুনা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা দব্লিয়ু পি (সী) নম্বর ৫৭৫ ওফ ২০২৫ ফাইল তৌরক্লিবসিনি। নশাগী নথৌবু লোগী চৈ থারবা মতমদদা পাঙথোকপগী হৈনবী মখা তাহল্লক্নু, য়েংনীংদে।

## মীতৈগী পুয়া 'নিঙ্থৌলোল্ লম্পুপা'

## (নিংথৌরোল লম্বুবা)-(৬২৩)

(পুয়াগী অরিবা ময়েক্তগী বাংলা ময়েক্তা চনম হেমচন্দ্রনা লায়থোক্লা ইথোকপা অসি মীতৈ ময়েক্তসু নুমিৎ খুদিংগী ইথোক্তুনা ফোঙজরগনি।)

কুরাও কোনথোং পলদাই শৎতোক য়ানখাইনা। চুংলেপ মরোল ৬০ লালনা চোং। কাওরেল শনখাং ১০ লান। খংনং খূৎশু তারেল লৈতং লেংনা। হুয়েল লালথেং পলথেংবদি। মরিং খুলবী পুঙময়াই চাইখাইরে। ময়ুম মৈনা তুমনা চাক। হুয়েল লানথেং তূমলে। অকাবা খুংগঙ তরুক চাইনা। অকুমবা খুংগঙ তরুক নেৎনা। হুয়েল লালদাঔদা মরিং নিংথৌ লোকতোলবা। অমশাং লৈমচা। মথীন নাইবা লালদা থৌয়াঙবা। ●

## ꯃꯤꯇꯩꯒꯤ ꯄꯨꯌꯥ 'ꯅꯤꯡꯊꯧꯂꯣꯜ ꯂꯝꯄꯨꯄꯥ'

## (ꯅꯤꯡꯊꯧꯔꯣꯜ ꯂꯝꯕꯨꯕꯥ) -(꯶꯲꯳)

(ꯄꯨꯌꯥꯒꯤ ꯑꯔꯤꯕꯥ ꯃꯌꯦꯛꯀꯤ ꯕꯥꯡꯂꯥ ꯃꯌꯦꯛꯇꯥ ꯆꯅꯝ ꯍꯦꯃꯆꯟꯗ꯭ꯔꯅꯥ ꯂꯥꯏꯊꯣꯛꯂꯛꯄꯥ ꯏꯊꯣꯛꯄꯥ ꯑꯁꯤ ꯃꯤꯇꯩ ꯃꯌꯦꯛꯁꯨ ꯅꯨꯃꯤꯠ ꯈꯨꯗꯤꯡꯒꯤ ꯏꯊꯣꯛꯇꯨꯅꯥ ꯐꯣꯡꯗꯣꯛꯀꯅꯤ॥)

ꯀꯨꯔꯥꯎ ꯀꯣꯟꯊꯣꯡ ꯄꯜꯗꯥꯏ ꯁꯦꯠꯇꯣꯛ ꯌꯥꯟꯈꯥꯏꯅꯥ॥ ꯆꯨꯡꯂꯦꯞ ꯃꯔꯣꯜ ꯶꯰ ꯂꯥꯜꯂꯅꯥ ꯆꯣꯡ॥ ꯀꯥꯎꯔꯦꯜ ꯁꯅꯈꯥꯡ ꯱꯰ ꯂꯥꯟ॥ ꯈꯡꯅꯡ ꯈꯨꯠꯁꯨ ꯇꯥꯔꯦꯜ ꯂꯩꯇꯡ ꯂꯦꯡꯅꯥ॥ ꯍꯨꯌꯦꯜ ꯂꯥꯜꯊꯦꯡ ꯄꯜꯊꯦꯡꯕꯗꯤ॥ ꯃꯔꯤꯡ ꯈꯨꯜꯕꯤ ꯄꯨꯡꯃꯌꯥꯏ ꯆꯥꯏꯈꯥꯏꯔꯦ॥ ꯃꯌꯨꯝ ꯃꯩꯅꯥ ꯇꯨꯝꯅꯥ ꯆꯥꯛ॥ ꯍꯨꯌꯦꯜ ꯂꯥꯟꯊꯦꯡ ꯇꯨꯃꯂꯦ॥ ꯑꯀꯥꯕꯥ ꯈꯨꯡꯒꯪ ꯇꯔꯨꯛ ꯆꯥꯏꯅꯥ॥ ꯑꯀꯨꯝꯕꯥ ꯈꯨꯡꯒꯪ ꯇꯔꯨꯛ ꯅꯦꯠꯅꯥ॥ ꯍꯨꯌꯦꯜ ꯂꯥꯜꯂꯗꯥꯎꯗꯥ ꯃꯔꯤꯡ ꯅꯤꯡꯊꯧ ꯂꯣꯛꯇꯣꯂꯕꯥ॥ ꯑꯃꯁꯥꯡ ꯂꯩꯃꯆꯥ॥ ꯃꯊꯤꯟ ꯅꯥꯏꯕꯥ ꯂꯥꯜꯂꯗꯥ ꯊꯣꯏꯌꯥꯡꯕꯥ॥ ●

# দেল্লীদা সেকেন্দ হেন্দ কার বজার!



**হেক্তা হায়নীংলকই - ৮৬৬**

**জিতেন নামৈরাকপম**

হন্দক মরক অসিদা লমদম অসিদা এক্সিদেন্ট তোয়না থোকমনবদগী মী মথং-মথং শিখিবগী পাউ তারে। মসিমক্তি য়াম্না নুংঙাইতবা থৌদোকশিংগী মরক্তা অমনি। গাড়ীনা থোল্লম্বদগী মমা-মচা পূন্না শিখিবা, ইনখৎলক্লিবা নহাশিং গাড়ী থেঙ্গাইনদুনা শিখিবা লেপ্তুনা অসুম তারক্লি। নহান নোংমা অমদি নিংথেম পূখ্রিদা কার অঙৌবা অমা তাওখৎতুনা লৈরম্বা অমসু উখ্রে। কার মথক অদুদা এক্সিদেন্ট থোল্লবা নিপা অদু তোংদুনা লৈরম্বদগী মীয়াম্না কনখি। মসিসু অঙকপা থৌদোক অমনি।

এক্সিদেন্ট থোকপগী খ্বাইদগী মরু ওইবা মরমদি ময়াই কাবা চীঞ্জাক শীজিন্নদুনা গাড়ী থৌবনা নম্বর ৱানদা লৈরি। মরু ওইনা য়ু থকচিল্লগা গাড়ী থৌবসিনি। হৌজিক্তি গাড়ী অয়াঙ-অয়াঙবা য়াম্না থৌনরে। ময়াই কাবা চীঞ্জাক্তু তপ তাবমখৈ চাশিন-থকচিল্লুরগা এসিলেটর ফুলদা লৈখৎলগা নেৎলগা য়াঙনা-য়াঙনা থৌবনা মরম ওইরগা থোমগাইনবা, য়ুংশিনবা, তকখায়বদা মীওই কয়াগী মমল য়াম্লবা পূন্সি লোমখ্রে। ঐখোয়না চীংগী লমদা গাড়ী তোংদুনা চৎপদা লম্বীগী নাকলদা, চীংচেপ্তা করিদা সাইনবোর্দ থেৎলম্বা থেংনৈ। মদুদা ময়েক শেংনা থারম্বা থেংনৈ- দ্রিঙ্ক ওর দ্রাইভ- দোন্ট দ্রিঙ্ক এন্দ দ্রাইভ। য়ু থক্কেরা নৎত্রগা গাড়ী থৌগেরা অদুম তৌজৌ। অদুবু য়ু থল্লগদি গাড়ী থৌগনু হায়বনি।




এক্সিদেন্ট খ্বাইদগী হেন্না থোক্লিবা অসিসু লম্বী ফত্তবসিসু অমনি। মণিপুরদি লম্বীগী মতাংদদি পল্লুদুনা কানবা লৈতে। নোং চুরগা লম্বী ময়ায়দা কোমজাও কোমজাও অদুগা নুংশা শারগনা উফুলতনা কুপ্লবা লম্বী। পোটহোল লম্বী, থেক-খোয়না থৌদুনা লাকখিবা অনাবা পুরকপা চোংথোকহৌবা, তাহৌবগী পাউ য়াম্না তানখ্রে। চহী খরগী মমাঙদা রিমসতা পুরকপা অনাবা হোস্পিটাল য়ৌরকপদা ওটো মনুংদা য়াওরমদবদগী থিরুবদা ফ্লাইওভর ব্রিদজ লান্থরকপদা উরিপোক্কী পোটহোল মতাইদা অনাবা হনুবীদু কুন্দুনা লৈরম্বদগী লৌখৎখি। মণিপুরগী পোটহোল হায়রেদনা অনাবা পুরকপা গাড়ী চোংথৌ থৌরকপদা মবুক য়েকপগী চৈনা, গাড়ী তোংবগী চৈথেং খাঙবদা মীরোনবী নুপী হোস্পিটাল য়ৌদনা লম্বীদা অঙাং উনবসু য়াওখ্রে। মালেম পূম্বগী ওইনা লম্বীগী পোটহোল মশীং খ্বাইদগী হেন্না লৈবসি মণিপুরনা নম্বর ৱান তারগনি হায়নরি। থৱাম্মীচাক মশীং থিবা ঙম্বা মী থোল্লকপা তারগসু মণিপুরগী পোটহোল মশীং থিবা ঙম্বা মীদি নুমিৎনা নোংপোক্তগী নোংচুপ্তা থোল্লক্লগা ওইথোকপা য়াই। মসিনি হৌজিক মণিপুরগী লম্বীগী ওইরিবা ফীভম।

ঐখোয়না সুম য়েংলুবা মতমদা চাইনা, কোরিয়া, অমেরিকা, জপানগী লম্বীসি ওন্থোক্লা ফনা উই। শীৎ হেক নাল্লি। পৃথিবীদা বেষ্ট ক্বালিটি রোদ হায়রগদি য়ুনাইটেদ আরব ইমিরেটসনি। মসি ৱর্ল্ড গ্লোবেল ইকোনোমিগী ৱেবসাইট মতুংইন্ননি। মথংদা সিঙ্গাপোর, স্বিটজরলেন্দ অমদি হোং কোং মথং-মথং লৈখ্রে। ঐখোয়গী চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা অমনা মণিপুরবু সিঙ্গাপোর ওন্থোক্কনি হায়রম্বনি। হৌজিক্তি ফজরে মণিপুর য়োংগাপোর তারে। প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনসু ইম্ফাল-জিরি লম্বীদা এরোপ্লেন তাহনগনি হায়রম্বদুসু হৌজিক্তি ইরোই লৈয়োনফমগুম্লে। ঙমসু ঙম্লোইদবা, ওইসু ওইরোইদবা ঙাইহাক ঙাইহাক্কী মীয়ামগী খূবাক হৌনবা ঙাঙলম্বশিংনা হৌজিক্তি মীয়ামগী করেম্নফম ওইহৌরে।

লম্বী ফত্তবগী ফেক্টরবুদি য়াম লৈখ্রে। নম্বর ৱান হায়রগদি পোর রোদ কন্সত্রক্সন, মেন্টিনেন্স ফজনা তৌবিদবা, ইন্দিয়াগী মোন্সুন সিজনগী ইফেক্ট অদুগা হেভি ত্রাফিকসিনি। মরকসিদা মণিপুরগী লম্বী খূৎশেমদি পর্সেন্টেজ ঠিকাদার খূৎশু, লুপা ১০০ থাদগদবদা লুপা ৬০ ককথৎখ্রগা ৪০না শুবনি। অদুননি হনুবী পাউদর থাবদৌনা কোয়লাস খেৎপা য়াবগী থবক, কোয়লাস তৈবা, মণিপুরদা সিমেন্ট এন্দ কনক্রিট, য়োৎনা পোলাং শারগা লম্বী হৈগনিবুদি হায়নরি। ঐখোয়গী পূন্সিনা শিদ্রিঙৈ, হিংলিঙৈদা উবা ফংগদ্রা হায়বগী ৱানি, মদুমসু ককপদা ককপদা শেল ককপদতা পুরা উজার মেলা শাদৌরিপোৎনি। মণিপুরদা তৌরক্কদবা থবক অমত্তা শুংথা থাজবা লৈত্রে।

মণিপুরদা এক্সিদেন্ট থোকপদতা শিখ্রিবা মীওই মশীং থিরুবদা ওখাক য়াম্লগনি। কুমজা ২০০৮দগী ২০২২ ফাওবদা মণিপুরদা এক্সিদেন্টেল দেথ অসি চহীগী ওইনা মীওই ১৩৯ ওইরি। কুমজা ২০২৪দদি নবেম্বর থা ফাওবদা এক্সিদেন্টতদা ফনা য়াম্না শিখি। ইন্দিয়াদা এক্সিদেন্ট থোকপখক্তদা ২০২২ ফাওবদা মীওই ১৫০,০০০ হেন্না শিখি। খ্বাইদগী হেন্না এক্সিদেন্ট থোক্কনবা সিটিনা দেল্লীনি। ২০২৪দা মীওই ৯৪৫ শিখি। মথংদা বেঙ্গলুরু-৯১৬, জয়পুর-৮৫০... পংশিদা শিনখ্রে। ইন্দিয়াদা এক্সিদেন্ট খ্বাইদগী থোক্কনবা কার অসি হুন্দাই আই ১০না টোপ পোজিশন্দা লৈরে। মথংদা মারুটি সুজুকি- স্বিফ্ট, বালেনো, দিজায়রনা ওইরি। মসি গাড়ী থৌবা নুংঙাইরে য়াঙনা য়াঙনা থৌবা য়ারে হায়বগী হৈনবীনা অমগা অমগা বগল লৌনবদা পংথোমদা থোম্নবনসু ওইরমগনি। Bugatte Chiron Super Sport Car দি পুংদা কিলোমিটর ৫০০ ফাওবা থৌবা ঙমখ্রে। অমরোমদনা Blood hound SSC কারদি পুংদা কিলোমিটর ১০০০ থৌবগী রেকোর্দ থমখ্রে। য়াম্না য়াঙনা থৌবা ঙম্বা গাড়ী পুথোকপনা গাড়ী থৌবা, তোংলুবা হায়ববু কূ তোংলগা কোয়পাই পাইবগা মান্নখ্রে। চাওখৎলকপগী লমজেল য়াঙনা চেনখৎলকপনা অশিবগী, যমরাজগী লৈফম তান্না পুনবা হোৎনরিবনি হায়বসু য়াই।

অয়াঙ-অয়াঙবা গাড়ী ত্রেন, এরোপ্লেন থোরকপনসু মালেমগী মফম খুদিংমক্তা মতম চংদনা য়ৌবা ঙমহল্লে। মিন্স ওফ ত্রান্সপোর্ট এন্দ কম্যুনিকেশন চাওখৎলকপনা চাওরমখ্রবা পৃথিবী অসি পীকশিলহল্লে। মতম অমদা শুপ্নতগী খোঙতনা কোয়চৎ চৎনরম্বদু হৌজিক্তি সোফিষ্টিকেটেদ মোদর্ন সিষ্টমনা মহুৎ শিনখ্রবনি। হৌজিক্তি মণিপুরগী য়ূমথোঙ খুদিংদা গাড়ী মচা টু হ্বিলর লৈতবা অমত্তসু য়াওদ্রে। মসিগী মথক্তা ফোর হ্বিলর লৈবগী মশীংসু নোংম-নোংমগী হেনগৎলক্লি। কুমজা ২০২০ ফাওবদা মণিপুরদা রেজিষ্টর তৌরবা গাড়ী মশীং ৩৬২০০০ লৈরে। গাড়ী খ্বাইদগী চিনবা মফমসু ইম্ফাল ময়োলনা ওইরি। নুংতিগী ত্রাফিক জাম মরকসিদা থৌদোক্লুরক্লিবা গাড়ী ময়াম, লম্বীগী শক্তানে অৱাবগী মশক্লি। মরকসিদা থা খুদিংগী গাড়ী লৈরগা রেজিষ্টর তৌরকপসু লিশীং লিশীংগী মথক্লি। মার্চ ২০২৫দা গাড়ী ৯১০, এপ্রিলদনা ১০৫২ য়ৌখ্রে। মসিসু অয়াম্বদি ইম্ফাল ৱেষ্টকী কঞ্জেষ্টেন্ট জোনশিংদা অমুক লেপ্তুনা থৌজিল্লক্কদৌরিবনি। কুমজা ২০৩০দগদি ইম্ফাল ময়োল গাড়ী থৌফম লৈরক্লোইদৌরি। মসিদা ত্রান্সপোর্ট দিপার্টমেন্ট, ত্রাফিক পুলিসশিংনসু দেল্লীগী ওদ নম্বর/ইভন নম্বর ভেহিকল নম্বর প্লেট সিষ্টম চৎনহল্লকপসু য়ারি। হায়বদি নিংথৌকাবা, য়ূমশকৈশা, ইরাই নুমিৎতা তুমা শুবা মশীং ০,২,৪,৬,৮না লোইবা গাড়ী নম্বর থৌহনবা, লৈবাকপোকপা, শগোলশেল, থাংজ, নোংমাইজিংনচিংবদা ১,৩,৫,৭,৯ না লোইবা নম্বর প্লেটকী গাড়ী চৎহনবা, আইন কায়না থৌদোরল্লগনা ফাবা, ফাইন থিহনবা তৌরল্লগদি ইম্ফাল ময়োলদসু গাড়ী চিনবা হন্থরকপা য়াই।

গাড়ী চিনবা হন্থহন্নবা, নোইজ, এয়র পোল্ল্যুশন হন্থহন্নবদি দেল্লীদা থবক পায়খৎপসু হৌখ্রে। চহী ১৫ হেল্লবা পেত্রোল গাড়ী, চহী ১০ হেল্লবা দিজল গাড়ী অমত্তা দেল্লীগী লম্বীদা চেনবা য়ারোই। পেত্রোল পম্পশিংদা থাউ পীদনবা ওর্দরসু থোকখ্রে। শেল পায়বশিংনা অতাঙ-অতাঙবা কার লৈশিল্লুবশিং নীংবা কায়নখ্রে। লকজরিয়স কার লুপা ক্রোর ৩০০দগী ক্রোর ১০০০ হেনবশিং অদু হৌজিক দেল্লীদা হোঙনা হোঙনা য়োন্থোক্লুরে। শুপ্নতগী মমল লুপা লাখ ৪/৫ মমিংতগী ওইনা লৌহৌরগা পুজখ্রো থন্সফম লৈত্রে হায়দুনা নীংবা কায়না য়োন্থোক্লখ্রে। ঐখোয় শ্বাইদা থৌনরিবা মারুটি স্বিফ্ট, টাটা পঞ্চ, হুন্দাই, ক্রিএটা, টোয়োটানচিংবা গাড়ীশিংদি শুপ্নতগী লুপা লিশীং ৫০/৬০, লাখ ১/২দা য়োন্নরে। দেল্লীগী সেকেন্দ হেন্দ গাড়ী অহোঙবা লৈনরুরগা ইম্ফালদা পুমচাও তাওরক্কদৌরিব্রা। ●

# ইমালোল য়োকখৎনবা লোলয়ান শীজিন্নবা থিংবগী তঙাইফদবা - ১১৫

**ৱাখল ইহুল**

**সোরাম ইবোহল লুৱাং**

মতাং চানা খরা হেন্না পাক চাউনা মতুংদা ইজরকখিনি। মরী লৈনবশিংনা হেন্না খঙলবা ৱাফম্নি।

খুদম মচা অমা ওইনা পঞ্জরবদা, অদুঙৈ মবুধৌ পামহৈবা নিংথৌগী মতমদা লাইওইখ্রবা অহল লমনশিংগী শৱাং লুৱাং থৌ মং থোং নৌনা থাংলগা নিংথি (মীরোল) তুরেলদা পুরগা থাদহনখিবদগী অৱাগী মখা পোনখিবা অদুগা চপ মান্নবা মওংদা ইরমদমসিগীদা মীরম লাইনীং লাইশোন চৎপশিংগী শৱাং লুৱাং থৌ (মীরোল-অষ্টি/ফুল) মীরম হিন্দুগী লাইফম ওইবা নবদ্বিপতা (মীরোল) পুরগা গঙ্গা (মীরোল) তুরেলদা থাদহনখিবদগী লাইনীং লাইশোন অমদি থৌরম-থৌদোক, চৎন লোনচৎতা মীরম হিন্দুগী মখা পোনবা হৌরকখিবদগী মীরমদা মীপাল তাংবগী ৱাখল লাকহনখি। অদুবু মতমগী খোঙলৈ তুংইন্না তপ্পা তপ্পা মীরম লাইনীং লাইশোন্দা মীপাল তাংলম্বদু চাং শিংথানীংঙাই ওইনা হন্থরকখি।

মঙাশুবদা, কুমজা ১৯৪৯, ওক্টোবর ১৫দগী কংলৈপাক মণিপুর ইন্দিয়াদা তিল্লে হায়না ইন্দিয়ানা লাওথোল্লবা মতুং কুমজা ১৯৬০দা মতমদুগী ইন্দিয়াগী অহানবা প্রাইম মিনিষ্টর জৱাহরলাল নেহরুনা বর্ম্মা (হৌজিক্তনা ম্যান্মার-মীরোল) দা স্কৱার কিলোমিটর (মীরোল) ২৯ পাক চাউবা লম, হান্না কংলৈপাক মণিপুরগী ঙমখৈ মনুং ওইরম্বা কবো ভেল্লি, কুমজা ১৯৬০ সিমক্তদা পীথোকখিবদগী কংলৈপাক মণিপুরগী হান্না পাক চাউবা স্কৱার কিলোমিটর (মীরোল) ২২,৩৫৬ ওইরম্বদগী স্কৱার কিলোমিটর ২২,৩২৭তা হন্থরকখিবনি। হীরম কয়াদা হিন্দুগী থৌরম থৌওং কয়াগা মরী লৈনবদগীনি।

তরুকশুবদা, অরোইবা ওইনা, হৌজিক হৌজিক ফোং ফোং শানা থোক্লিবা থৌদোক অমা ওইনা কংলৈপাক মণিপুরসিদা হৌখিবা কুমজা ২০২৩গী মে ৩দগী ম্যান্মার (মতম অমগী অৱা/বর্ম্মা-মীরোলশিং) দগী চিন-কুকি-মিজো টেররিষ্টশিংনা ইরমসিদা লোন্না থুপ্না মচিৎ মচিৎ ওইনা চঙশিল্লক্লগা, ঐখোয় মীতৈশিং হায়বদি অশেঙবা য়েলহৌমী ফূরুপ ওইরিবা ঐখোয়দা অতম্মনা অফবা মখলগী নোংমৈ, মপাঙ্গল কনবা বোমনচিংবা কাপশিন দুনা কায়হৌরকপগী থৌওং চম্থরকপদা, মরু ওইনা ইন্দিয়াগী লৈরিবা তোঙান তোঙানবা সিক্যুরিটি ফোর্স (মীরোল) শিংগী মনুংদা অখন্নবা ফোর্স (মীরেল) অমনা ম্যান্মারদগী চঙশিল্লকপা কুকি টেররিষ্টশিংদা মতেং পাংশিল্লে হায়না মালেমগী ওইনা লৈরিবা অপূন লূপ - মীরোলদা য়ু এন য়ৌনা পুঙজাও থিল্লবা ফাওবদা ইন্দিয়াগী হিন্দু লৈঙাক্লোই ওইরিবশিংনা তাশিন্নদনা, খঙশিন উশিন্নদনা, থৌৱা শাদনা তূমিন্না লৈথোক্লি হায়বসি চুম্লবনি। অদুবু খ্বাইদগী লুরিবদি চুম্মী খঙলবা ৱাকৎসি তাবীনবা লৈতনা তূমিন্না লৈশিনবসিনি।

মথক্তা পনখিবা, থোকখ্রবা অমদি হৌজিক হৌজিক থোক্লিবা অচুম্বা থৌদোকশিংসি মতমদুদা চীংউবা মায়চৌ খোংনাংথাবা ইপুনা য়াম্না মাঙজৌননা হায়খিবা/তাকপীখিবা পাউতাকশিং মীতৈ নিংথৌশিংনা তারগনা খন্থদুনা লৌরল্লবদি অচুম্বা ওইখ্রবা থৌদোক খুদিংমক থোরক্লমলোইদবনি নৎত্রগা ওইরমলোইদবনি হায়না থমজগে।

হৌজিক্কী চাওখৎলবা মতমসিদা হায়বা তারগনা থিজিল্লোইশিংনা মখল মথেলগী হীরম কয়া থিজিনবা মতমদা তৌনরিবা থৌওংশিং মীরোলদা হায়রগনা এক্সপরিমেন্ট, ওবজর্ভেশন অমদি ইনফরেন্স/রিজল্ট হায়নরিবা ময়ামসি পুল্লপ ওইনা পাঙথোল্লবা মতুংদা থিজিল্লোইশিংনা করিনো/করি ওইগনি/করি থোক্কনি হায়বা ঙম্বদো, চীংউবা মায়চৌ খোংনাংথাবা ইপুদি লাইগী মতিক ময়াই চেনখিবা মীশক অমা ওইখিবনিনা খুদক্তা তুংদা করি থোরক্কদগে/ওইরক্কদগে হায়বসি য়াম্না মাঙজৌননা হায়বা ঙমখিবনি। কয়াদা খেন্নখ্রবনো অনীসে?

মসিগী মতুং তারকপসিদি হান্না হীরম খুদিংদা মীপাল তাংদনা, নীংতম্না হিংলম্বা পূন্সিদুদা হঞ্জিনবা ঙম্নবা 'য়েৎনা লৈবা পরৈ ওইনা হনবা, ওইনা লৈবা পরৈ য়েৎনা হনবা য়ানবা/ঙম্নবা ইরমদমসিগী মীচম মীয়াম্না (মীরোল-প্রজা/পিপল) পুকচেল খোয়জেল অমত্তা ওইনা - ফীভম মতমগী মতুংইন্না চানবা পরৈ থম্নবগী থৌরমশিং অখঙবশিংগী লমজিং লমতাকশিংগী মখাদা পূন্না পাঙথোকপসিনা শোয়দনা ওইগনি'।

হৌজিক্তা ঐখোয়না মথৌ তারিবদি পুৱারীগী তাঙ্কক কয়াদা য়াম্না মতিং লৈনা, অচুম্বা মায়ওন্দা লৈপাক খুন্নাইগী য়াইফনবগীদমক অচৌবা থৌদাংশিং লৌবীখিবশিং, খুদম খরা ওইনা পঞ্জরবদা - চীংউবা মায়চৌ খোংনাংথাবা ইপু; মীতৈ লাইনীং হঞ্জিন্নবা, অনৌবা য়েন্নিং হুলহনবীরম্বা লাইনীংহল ফুল্লো, অহল ইবুংঙো অদুগা খরা থেংথরকপা মতমগী খুন্নাইসিদনা লময়ানবা হিজম ইরাবত-কুম্বা শিংথানীংঙাই ওইবা মীশকশিং মথৌ তারক্লি। ●

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্বীজ -১১৯গী ৱাহং

১) "থাংজম স্বরুপচান্দ সর্দার সঙ্গীতরত্ন" হায়বা ৱারেং অসি মণিপুরগী মপান লমগী অইবা অমনা ইবা ৱারেংগী লাইরিক অমদগী লৌথোরকপা ৱারেংনি। ৱারেং অসিগী অইবসি কনানো অমসুং লাইরিক্কী মমিং করি কৌবগে?

২) "অরক্ষনীয়া' হায়বা লাইরিক অসি মণিপুরীদা হন্দোক্লিবা ট্রান্সলেটর অসিগী মমিং অমসুং মণিপুরীদা হন্দোক্লবা লাইরিক অসিগী মমিং ইয়ু।

৩) "ঈথক্কী মথংদা ঈপোম" হায়না মিংথোনবা ৱারীমচা অসি ৱারীমচাগী লাইরিক অমদা য়াওবনি। ৱারীমচা অসি য়াওরিবা লাইরিক্কী মমিং অমসুং অইবা অসি কনানো?

৪) "থৱান থানা লাকপদা
লৌবুক্কী ঈশৈ শকচরে
ফৌনাগী জগোয় য়েংজরে
ঐসু ৱাখল হোংজরে।"

লিরিকেল পোইম অসি য়াওরিবা লাইরিক্কী মমিং অমসুং অইবগী মমিং হায়য়ু?

৫) "মণিপুর কৌবী ইমা ও" হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসি অইবা কনাগী লাইরিক্লো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওগষ্ট ১৫, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।